ফাওরবা বঙ্গ-কবি

মাইকেল মধুসূদন দত্তনী।

মেঘনাদ তুবা কাব্য।

অহানবা সর্গ

মৈতৈলোন্দা

হরাইবম শ্রীনবদ্বীপচন্দ্রসিংহ।

উরিপোক

কোংদোকপা

থাবল প্রিন্টিং ব্রাক্স উরিপোক।

ইম্ফাল

১৯৩৯

কাওরবা বঙ্গ-কবি

মাইকেল মধুসূদন দত্তনা

মেঘনাদ তুবা কাব্য।

অহানবা সর্গ

মৈতৈলোন্দা

হুয়াইবম শ্রীনবদ্বীপচন্দ্রসিংহ।
উরিপোক

ফোংদোকপা

খাবল প্রিন্টিং ৱার্ক্স উরিপোক।

ইম্ফাল

১৯৩৯

থাবল প্রিন্টিং ৱার্ক্সনা শন্দোকপা লাইব্রক।

লক্ষ্মী নারায়ণ হৃদয়

লক্ষ্মী নারায়ণ অনিমক্কী স্তোত্র পুরানদগী লোথোকপা।

মমল ৵০

রচনা, দরখাস্ত অমসুং চিঠি ইবগী পথাপ

য়াম্মা ফবা, অঙাংশিংনা ইরাই লাইনা রচনানচিংবা ইবা হৈনববা লম্বীদা ইরবা ইহান হান্ববা মৈতৈগী রচনা লাইরিক

মমল ।৵০

A Complete key to Longman's New English Course Primer

অক অকবা এক্সার সাইজ ইংরাজিগী মশীং পাবা ইবা, খুৎই তম্বা, ৱাহৈ শেম্বা অমসুং ইং ব্যাকরণগী অপোৱা হীরম খরা তাকপা অসিনচিংবনা থল্লবা।

Printed by S. Indramani Singh at the Thabal Printing Works Uripok Imphal.

চাণবিরকপা।

১।৬।৫৪ ইংগী ললিত মঞ্জরী পত্রিকানা লাইরিক অসিগী মরমদা পীবা অভিমত ঃ—

বাঙ্গালা লৈবাক্কী মমিং চংখ্রবা কবি মাইকেল মধুসূদন দত্তনা লেংবা "মেঘনাদবধ কাব্য" হায়বা লাইরিক অচৌবা অদু হন্নাইবম শ্রীযুক্ত নবদ্বীপচন্দ্র সিংহনা মৈতৈরোন্দা অনুবাদ তৌবা হৌরে। মূল কাব্য অমিত্রাক্ষর পয়ারদা ইবনি; অনুবাদ অসিসু মৈতৈরোনগী পয়ারদা ইরি, মৈতৈরোনগী পয়ার ময়েক তরামন্নবা শাবা ছন্দ অসি মহৌশানা লৈজরমই — অমসুং মাসিনা ছন্দ পুন্নমক্তগী ইহেন হেন্না ফজৈ।

* * * * * * * * *

মৈতৈরোনগী কাব্য অমগী মতমদা পয়ার ছন্দগী হেন্নবী কায়দনা থম্বা তুম্বা অমাদি ঙাক্লা মসুং লোনগী নাতে চাদবা পুন্নমক লাপ্পা ভাস্তকপা তম্বা শক্তি অমা লেখক মহাশয়গী লৈ। মহাক্কী লাইরিক অসি লোইহনা ছাপা তৌহনা মৈতৈ সাহিত্য মরক্তা পূর্শিল্লকপদা অনুবাদনি হায়দুনসু লাইরিক পুন্নমক্কী অথোইবা অমা ওইরগনি হায়বদা লাল্লোই।

শ্রীযুক্ত লাইরেলময়ুম ইবুংঙোহলসিংহ বিঃ এঃ, বিঃ এল্‌গী অভিমত ঃ—

শ্রীযুক্ত হরাইবম নবদ্বীপচন্দ্রসিংহগী " মেঘনাদ তুবা কাবা " লাইরিক্কী মচেৎ অমা পারে। লাইরিক অসি পাবা হৌরবদা লোইদনা তোকপা ঙমদে। সংস্কৃত বহুল রোইবা বাঙ্গলাগী কাব্য অমবু সংস্কৃত বহুল রোইহন্দনা মৈতৈ লোন্দা হন্দোকপা অসিদা লেখক অসিবু থাগত্তনা লৈবা ঙমদে। অদুগা হোৎ-নরবদি মৈতৈ লোল অসিস্সু য়ায়া চাওখৎপা য়াই হায়বা অসিনস্সু তরং তরংনা উৎলে। অসিগুম্বা লাইরিক অসি উববদি বিঃ এঃদা মৈতৈলোল য়াম্না থুনা তমলগনি হায়না নিংলে। ইতি

Sd শ্রীলাইরেনময়ুম ইবুংঙোহলসিংহ।
তাং ১০। ৮। ৩৪ ইং

মেট্রিকুলেসন ১স্সুং আইঃ এ° গী

মণিপুরী ভার্নিকুলার টেক্সট বুক লেংবা শ্রীযুক্ত খাইরাকপম চাওবসিংহগী অভিমত ঃ—

শ্রীযুক্ত হরাইবম নবদ্বীপচন্দ্রসিংহনা মৈতৈ লোন্দা অনুবাদ তৌবা মেঘনাদবধকাব্যগী শরুক খরা পাক্লরে। মাসি পাজবদা অনুবাদ তৌরিবা মীগী রাহৈ থনবদা হৈশিংবা, মরুওইবা লাইরিক্কী পুরিবা ভাব অদু কায়দবা অসি এনা খরা পাজবা অদুগী পরেং খুদিংমক্তা উজে। পৃথিবী শীনবা থুংনা কাওরবা কাব্য অসিগী ফজবা ভাব, নিংথিবা শৈরেংগী ফিদম অমস্সুং ঈচংথৌবা কবিতাগী খুদম অসি মৈতৈ শৈরেংগী লৈবাক্তস্সু পুরকপা য়াই হায়না আশা তৌজরি। ইতি

Sd. শ্রীখাইরাকপম চাওবসিংহ।
তাং ২। ৮। ৩৭ ইং

মেঘনাদ ভুধা কাব্য।

—:※:—

অহানবা স্বর্গ।

মায়োক্লবা শানফমদা, অকনবগী লুচিংবা,
শিবা মতম চাদনা, বীরবাহু তুখ্রগা,
অয়ু ইমা ভারতি, রাজাং-খোইহৌ-লৈরবা,
হিংচা-শাংগৈ-য়াই-ওইবা, রাঘব-তাংজি-অথোইবা,
সেনাপতি হাপ্নুনা হাংলো কনা থাখিরা ?
কবি লৌশিং তৌদুনা, হিংচা-পুক্লিং-লুম্বা
ইন্দ্র চুম্বা মেঘনাদ — উম্ফদ্রবা তাইবংনা —
ইন্দ্র চিংন-কোকহনবা মাংহন্দুনা লক্ষ্মণনা ?
পাম্বোম উৌবী ভারতি ! নথোং থম্বাল অনিদা,
পুকচেল থীবা ননাইনা হন্না হন্না হায়জরি,
অমুক হন্না কৌজরি (পদ্মাসনদা ফম্বগুম)
(বাল্মীকিগী লৈত্তোন্দা ইমা নংনা লাক্কুনা,
শুকপা বনগী মনুংদা, শামী তেন্না থাদুনা,
খুনু অমোম লোইনবা খুনু লাবা হাৎপদা,
থোজানবিয়ু ইবেম্মা !) ননাইদসু লাক্কুনা।

খঙ্বা য়াওব্রা তাইবংদা, ইমা, নংগী নগুম্বু ?
মীরক্তা তোল্লবা, মীৎখাংস্থু ওইবম্বা
হুরানবদা লূপখ্রবা মী অত্তু খোঞাল্লা,
শিবা কোকখ্রে তাইবংদা শিবা-কোকপা, শিবগুন। *
নংগী বর ফংতুনা হুরাল্লম্বা রত্নাকর,
কবি কাব্য রত্নাকর! ননা হেক্তা শোকপদা,
চন্দন-পাম্বী-ফজবা, হূগী উনা ওইবনি!
তোল্লি, ইমা, ননাইদা পুনা অসি লৈবরা ?
অত্তুম অত্তুম ওইনমক মচাশিংগী মরক্তা
পঙ্বা মচা অত্তুবু 'মানা হেন্না চানবদাই ?
লেংবিরকউ অত্তুনা, বিশ্বরমে, খোঞানবা
শক্তে, ইশৈ অথোইবা বীররসতা তাউত্তুনা,
ইমা, লেংবিরকউকো, নখোং-মকম থূপচগে।
দেবা, নংস্থু লাকপিয়ু, নিংথিহনবা কল্পনা,
কবি-পুক্লিং লৈকোনগী খোইহা লোনা শাবিয়ু,
নিংথিজবা খোইরাবু, বাঙ্গালাশিং মুঙাইনা,
মতম লৈবখিবিক্তা অমৃতবু থক্লবা।

সিংহাসন্দা লেংশিল্লে, পাঙ্গল কনবা দশানন,
সনজিংগী মথক্তা সনা-চীংদোন অত্তুনা,
ইঙান ইঙান ঙানবগুম। সভা-লৈতেং ওইরিবা
অচৌ-অশাং ময়াম্না, মমাই লৈখা য়েংতুনা
ইকোয় কোয়না থোগল্লি। লৈমাই অত্তু ফজখ্রে,
লংনা ঙোবা থোত্তুনি; মাত্তু রতন থাম্লিয়ে,
মানস কোবা পুখ্রিদা নিংথিবা থম্বাল শাৎপগুম।
অঙাং অঙো নাপুগী য়ুম্বা পরে লৈত্তুনা,

মেঘনাদ ভুবা কাব্য।

সনা-গমথক অরাব ইবায়লায়ন পুরয়;
তানজুন প্রাণবু মতোক লিশং ফন্দুনা.
পুবহুমহ চেকাশন্না। কুইয়েগনংগী মণদা
(ময়াল. লৈন য়েক-খেংপা) মার্ন পাবে য়ানবজম
ইবং লংনা ঝালবদা মাণ মুক্ত য়ন্থ ব ---
হীরা, মুক্তা, পদ্মরাগ নীলমাণ মরকত।
রত্নদগী পোল্লকপা, মোহনা তোন্দন, মঙাল্লা,
নোংথাং ওগনা কু গ্রবে, মীণী মামং থকহন্না।
নিংথজবা চামবত্ত. সিক্ত ফবী থংগনবা
মনাহ স্তুপাশিংজনা, থম্বী মানবী প মাম্ব দো.
হাইনা জম্মা থোগম্লি। শেক্লাপল খাম্প্র মনাইনা;
হুর-শাউবা-মৈচাকনা কামদেব চাক্তুনা,
শেকাপল খনবা ওগত্তুনা, সভাত্তুদা লাক্তুনা.
ংশ্ম মাতা মাল্লয়ে। পান্তুব-লানশং-খোংভিন্দা
ত্রিশন পায়বা শিনাজম. যেংদা চৎপা থংগুভকপা
তাকিবগী মণকান! লমাল, মপাল নাহদবা,
তপনা, লৈনম পুত্তুনা. বসন্তগী নুংশিৎনা,
উক লাউবা খোঞ্জনগী নিংথিডবা ঈথকপু.
কুইনে তৌনা পুত্তুনা, পুক্লি ভুহদা খোঙ্গান্দা!
বৃন্দাবনগী উনংদা বাশ-খোঞ্জেন ঈথক্কুম।
কবি তৌনকগনি, দানবপতি হে ময়!
নথুং মক্ল শাবম্বা, লৈবাক মীযাম পেন্নবা,
ইন্দ্রপ্রস্থ কোন্নুংগী মণি-পুমহৈ- সভাদো?

সভাসদ ফম্বিরে, হিংচাবগী মবুংডো,
চিন্দা রাহৈ থোক্তরে, পারি-শেংন-রাবনা।

উগী মশা অহোম্বা অথোবা তেন্না থাবগা
তুমিন তুংিন কপ্পগুম, অতৎ ঐখম নাইদনা
পিগী ধাবা শিন্নবে — চরৈ ইচোং চোৎহন্না।
মশা ট্রফুল তৈবরা, ঈনা পুমচোং চোংলবা
মাঙদা লেপ্পি ভগ্নদূত. মথুং অনি লোন্দুনা।
বীরবাহু লোইনবা লানগী ঈপাক তাউকবা
অকনবগী মঙক্রা মতোম্মতা হিংহৌরে।
মথোই য়োংকে তৌরম্বা, কালগী ঈথক অচৌব
মকরাক্ষ হিংচাবা কন্না ঙাকখি, পাঙ্গন্দা
যক্ষপতি ওইরবা। দূতসিগা মহিনা,
মচা লৈরে তাবদা. ওল্লোকপনি উসিদি,
নিংথৌ-শাগৈ-মথোইবা নৈকযেয় রাখবে।
সভাপূম্বা রাখবে, নিংথৌ রাবা উবদা।
ওল্লোকপনি মতৌসে লুহিং লেংনা খনবগুম
তাইবংপানদ মমগ্গে মতম খরা লৈবগা
লৌশি-মণ্ডল ফংদন, পুরি রান নাবংনা,
লুংশা ফংইনা তোল্লগা, সনা য়াথ তাক্লকই;

"অতিং-মঙগী মান্নরে, দূত নংগী নপাউসে
পান্থোম-পাঙ্গল উবদা লাইমক্বা কিনবা,
তেনশুহৈবা ইচাবু, ভিক্ষা-নিবা রাঘবনা
সম্মুখ রনদা হাংখ্রবা? লৈগী মনা পায়রুনা,
তেরা পাম্বা অচৌবা, বিধাতানা ক্রকখ্রবা?
বীরবাহু ইবুংঙো, পাথৌ-কোকথক মণিও!
নহাকুম্বা মণিবু করি পাপনা মাঙখ্রবা?
[illegible]

নংনা লনসি হুখ্রিবা? রায়দা, করন খা‌ংসিবা,
অরংবসি ঐহাক্কা? কাল--সময় অসিদা
শাগৈ-মমায় অচোবা কনা অমুক ঙাকনি?
(বন্দা হোবা উপাম্বী, মসাংপুম্বা অমমম,
শিংজনবনা থারগা, তুদা পাম্বী য়াম্বুবা,
লাকঙমদ্রবা য়েক্কবা, অরোই অথম লৈতনা,
ঐবু অতুম শোহল্লে) মরু ফনা মঙবত্তোই,
ঐদি মাগী মথুক্তা! নল্লবদি করম্না.
পাক্কল চাউনা শিবগুম. ইনাও কুম্ভকর্ণবু,
ঐনা লোয়নবা শিগবা, শিবা মতম চাদনা?
হিংচা শাগৈ ঙাকলম্বা লান্দা থৌবশিংতুস্সু?
শূর্পনুখা, ওন্থোকই, লাইবকথিবা, নহাক্না
লোনা পঙ্কবতাদা, কালকূটনা থল্লবা,
কাল তাজ্জা অসিবু কারি কালদা উরুনা!
করি ফভবা শ্রেনমদা নংদমক হাদুনা
থাম্বা-মৈরি ওইরবী জানকীবু পূবকপা,
ঐনা সনা লঙ্কাদা? ওন্থকপনি, পুক্নি দা,
কনুক লঙ্কা থাদুনা, শুকপা বন্দা চংহনা,
চিক্না রাবা কোক্কিলে! লৈ মগান লৈতেবা,
জগোই শঙ্গুম নিথিবা, ফজরম্বা কোম্নি!
হৌজিক্কদি অতুবু, লৈরাং মপৈ অতুম্সু,
মথং মথং কংখরে; দেউটিস্সু মুংলক্রে:
তুমিন লৈখ্রে মরঙ, বীণা, রবাব, মুরলী;
করিদমক ঐহাক্না লৈখিদগে অসিদা?
বনানবু য়াংবগে অমম্বদা লৈনিবা?

মতৌ অসুম রাবননা, হিংচা-শাগৈ অথোইবা,

থুদাং পিকম তৈতুনা পুক্লিং রাল্লা কোংদোকই ;-
অরাবনি, ওস্নোকই, হস্তিনাদা অন্ধবাড় ধৃতমাধুরা
সঞ্জয়দগী তাবগুম — কুরুক্ষেত্র-লানফমদা,
মুংশিরবা মচাশিং, পাস্বোম বনবা ভীমসেন,
মাইবী খমমুং তাহল্লনখ্রে কল্লামক্তা হিংদবে।

অতুগী মতুং অতুদা, সারণ মন্ত্রি লৌশিংবা,
মন্ত্রিশিংগী লুচিংবা, থুবাং তম লোন্দুনা,
সনা নাক্তা লেপ্লগা ভক্তি তৌনা হঙ্গৈচ্চে ;
তাইবং ফাওবা নৈসপু, হিংচা-শাগৈ-মুতোনবা !
ননাই সারণ মন্ত্রিবু লাল্লবদা কনবিযু।
তাইবংপানগী মনুংদা নিংশিংঙম্বা কনা লৈ,
নিংথৌ খুয়া খাহুদা? অতুম অতুম ওইনমক,
সনা রাখল তাবিযু ;—নোংমৈশিংঙ তাদুনা,
লৈচিল খেৎপা চিংদোন্না, উফুল ওইনা মাঙবদা,
পৃথিবীদি নিকপিদে, মৈচাক অতু ফংগা।—
থোইবা হিবম অমদি তাইবংবানসি মায়ানি,
অরেম্বনি অরাবা, অরেম্বনি মুংঙাইবা।
মায়া খুহুং ইল্লিবা, অপংবদা শাংথানৈ।”

সনা য়াথং তাক্লকই, লঙ্কা অধিপতিনা ;—
“হে মন্ত্রি অথোইবা ! হায়রিবতু চুম্বনি ;
তাইবংবানসি মায়ানি, ঐসু মাতু মখঙই,
অরেম্বনি অরাবা, অরেম্বনি মুঙইবা।
অতু কপু কল্লিয়ে ঐগী থরাই অপঙবা।
মমাই-লৈথোক অসিদা শাংপা লৈবাং অহুবু,-
কমনা শেগাথবিংবদো. রাগল্লবা থমোইসে

থম্বল মওবা লৈথোক্না, লাইজম্নুংদা তৌবগুম,
অরাবা ইপাক্তা তাউবা মশিন্নিদনা।"

রাক্ত অসি হায়বগা চুত লোমদা ওন্দুনা
চনা যাথং পিবকই ;—"তাসি হায়ু পাউপুবা!
মতৌ করম তুখিবা, লাইমরক্না কিনবা,
বীরবাহু পাঙ্গলবা, লানগী মৈথু অতুদা ?"

নিংথৌবনগী চবক্না খুবাং তবা লোন্দুনা,
চাংজো চেপা হঙ্কি ভগ্নদুতনা সভাদা :—
অরাবনি, ন্যায়শ্বর! ওইথোক্তবা য়াক্নি
মতৌ করম নিশিংগে ? বীরবাহু তুখিবা
রাবন অদু ঐহাক্না মতৌ করম তমসিগে ?
মৈরী তেঙ্গল মরক্তা মচুমতাবা শামুগুম,
অরনবগী লুচিংবা, তেনগুইবা নচাদো,
শমু লৈশা মতৌগুন য়েন্ন-তেঙ্গোল মরক্তা,
নৈথাইদুন হেৎচিনখি। নিংশিংবদা হৌঙ্গিকম্বু,
পুক্নি থুকপা লালাউদা, ঐগী থমোই নিক্নিয়ে।
হে নিংথৌ ননাইস্নু তাজবেদা সিংহনাদ,
নোংনা থাকপা, ইবাগুখোন ; উজরেদা আকাশতা
নোংমৈশিংজং-মৈঙানো ; অতুম অতুম ওইনমক
মবোল অতুম অসিদা, কৈদৌম্নুংদা তাখিদ্রি
লিকং-খোঙ্গেন অয়াকপা, থমোই নিকপা অতুম্না ;
কৈদৌম্নুংদা উথিদ্রি অতুক কিবা তেল অদো।—

শরূপ-পুবা-তুং-ইন্না শামু-শরূপ চৎপগুম,
লানগী মরক খায়দুনা, বীরবাহু লোয়ননা,
পাংথোশিন্নু চংখবে। উফুল ফ্রং ফ্রং হৌদুনা

মাল্লং অসি চমখারে, — নোংশিনা শাউদুনা
অতিয়াসি খুম্বঙুম; ভুংশিংলমদা থেনথৈপে,
মাল্লা লাউনা পাইরদা, নোংথাং বুল্লা চৌথোক,
ইরুং ইরুং চৎবা, মিং অসি হকথর।
বীরবাহু পাঙ্গনবা, মংগী নহে কল্লকই!
য়েক্লা কয়া শিগ্রবা, শীংথা ঙম্বা নংখিদ্রে।

মতৌ অম্মুম তেংদুনা, হে নিংথৌ য়াইফবা!"
নজাইবুংডো লাহৈংন্নে খোংমী লাম্মী কৌননা।
মতম থরা লৈরগা মীথোর-মাহেন রাঘবতা,
লান তৌবা লেংশিল্লে। চনা-তুহুপ কোক্তা থোল,
খুত্তা ফিরুং অচৌবা, মালং-চুমথাং থানবগুম
মণি-মুক্তা-য়েকখোংপা," — রারি অসি তম্লগা,
মাঙগী রাবা খন্দুনা কপকনবগী মতৌগুম,
য়াল্লা খোঞ্জন থোক্তনা ভগ্নহুত কপখরে।
সভা'পূম্বা তুমিন্না পুক্কিং রানা কপ্নরে।

মিত্তা ঈন্না চেন্দুনা মন্দোদরী-মবুংঙ্গা,
রাবন নিংথৌ হায়রকই; — হায়গবা পাউপুবা!
হায় তাসি চংথোন্না, দশাননগী মপারি
বীরবাহু অকনবা, দশরথ-লাংলেন্না
মতৌ করম হাৎখিবা, মায়োক্লবা লানফমদা?

"করি হায়না লৈগপু!" ভগ্নহুতনা হঙ্গংলি,
"করম তৌনা রারিহু ননাই ঐনা লিসিগে,
করম তৌনা তাগনি নিংথৌ মনা নাকোংদা,
হিংচা-শাগে-লল-ওইবা? মমিং কোরি কাহুনা,
পুক্কিং শাউনা শানিংথৌ, ময়া ক্রক ক্রক চিক্লনা,

কাওবেন তম্না চোন্নশিনদা অতুগুম্না রাঘবনা,
মঙাইবুঙো ডমশিন্না ফুঙিন্নকই পন্দনা !
মাঙৈগে নবিনক্তুদি লমনগী ঈথক অচৌবা,
তোবম, কুন্ডনা, চৌঙিপ্নে মালংবগা থেংনবা
সমুদ্রনা নিনবগুম। মৈবিগুম্বা কবাকথাং,
নশিং লাকপা ভুমদা, মৈথু মচু মাল্লবা,
চুঙ্গায়শিংগী মথক্তা ইবং ইবং লংখবে !
টবাউখ নগী পান্দমগুম মোইবুং পরেং খোংনবে
কবি অমুক হায়কনি, নহান্নুক্তী মপোক্তা
গ্রনা তেবা ইরান্না ইতোম্নতা হিংহোবে।
ওম্বাকপনি বিধাতা ! করি পাম্বা তৌদুনা
ঙসি লাইরেন নোংজাদা মৈচাক অসি পিরিবা ?
কবিনানা হিপুহোদবা তেনগী শয্যা মথক্তা,
সনা লঙ্কা লৈতেংবা বীরবাহু তুংইন্না,
লানগী মফায় অহুদা ? মাসি ইরান নচ্চদে।
যেচু, নিংথৌ য়াইফবা ! য়েরুবগী খুংলাইনা
ঐগী থবাক হোগাথবে: নঙ্গল শিংহুম মুখিদে।"

রাহৈ অসি হায়রবগা থমোই চাক্লা হিংচাবা
রাহৈ মপান খোপথবে। অরা মুঙাই য়ান্দুনা
লঙ্কাপতি হায়রকই; — "মুংঙাইরেদা পাউপুবা।
মংগী নরা তাবদা, লান চঙবা পমদবা
পাথৌ কনা য়াওবগে ? ডমরু খোঞ্জেন তাবদা
অমুবা লিনগী ক্লাংলুপনা, তল্লহুনা কৈদৌঙৈ,
লৈথুনমুংদা লৈবগে ? সনা লঙ্কা য়াইফেদা,
পাথৌ-মচা-য়োকচবী ! — চংলু, চংসি য়েংঙুসি,

অঙম অথৌ অপূম্বা! পাথৌকো-কথক-মনিদা,
লান্দা করম তুরিবা; মিংপেন্না য়েংঙু সি।"

সঙ্গাই নথক কাখৎলে, হিংচাবগী মবুঙো,
মশেক লিশিং লোয়নবা নোংদোল কোরৌহনবনা
সমজিংদা থোকপগুম। মাঙ্গৈগি মরি য়েংবদা,
সনা-দলাল ময়াম্না লুহুপকুম্না লৈতেংবী
সনা লঙ্কা পুরিদো, পুকনিং হুনা ভাস্থোইরি।
সনা-দলাল পারেং পারেং লৈকোনগীস্থু ময়াইদা;
পুখ্রি, থম্বাল শাংলিবা; ঈফুৎ লুপা মচুগুম,
মথোক্ কাবা নুপীগুম মিং পেন্না য়েংনিংঙাই
লৈরাং ময়াম শাংলিবা; উপাল ময়াম নিংথিবা;
মতোন হীরা থম্লবা লাইগী মন্দির কজবা;
মচু মথল লৈতেংবা মনি মথেল পৈরিবা,
হুকান পায়েং লৈরিবা; জগং পূম্বা হৌহুনা,
লনগী মখল পুহুনা, লঙ্কাপুরী মিথিবী!
পূজা-পোৎচং লাওহুনা নগী নখোং-থম্বালদা
কৎলবগুম নিংথরে, নহাক অসি ইবেম্মা!
তাইবং হুপ্পা পামনৈয়ে; মুংঙাইবগী মফমনি!

সনা মিংয়েং তারিয়ে, হিংচাবগী মগুনা;
অরাংবা চেকপল - মতৌগুম লৈংবা চৎপা লৈতনা!
অহুগীস্থু মথক্তা কনবা ময়াই কারবা
খুংলাই পায়বা কাংবুনা, চিংজাউশিংগী - মথক্তা
নোংশা চরাম্নবগুম, কোয়না কোয়না চৎলিয়ে।
নিংথৌ-থোংজাউ মরিমক চারগী পৌরোল থাহুনা

মশিং লাকণ্ডমখিত্রবা রথ, রথী, শামুনা,
খোংমৈ, লাম্মী, শগোল্লা, মিৎশেং খাঙ্না লৈরিবা,
সীতা হুবা রাবননা সনা মিৎয়েং তাবিরে।
লঙ্কা-কোম্নুং মপান্দা য়েরুবগী তেঙ্গোনবু
সমুদ্রগী তোর্ব্বান্দা লৈঙোই-ময়াম লৈবগুম,
অতিয়াগী মক্কোয়দা থরানমিচাক মপৈগুম,
নিংথৌ মিৎয়েং তাকিরে। নোংপোক থংবা খোঙ অঙ্গ
ঙাক্লি, নীল, অথোবা, লান্দা লাকঙনখিত্রবা;
মথা খোঙদা অঙ্গদ শামু মচা মতৌগুম
নৌনা পাঙ্গল্লকইবা, থাবা-মৈচাক লোল্লগা
ময়েক-মথোং-কুয়েন্না লৈতহুনা, তাঙজনা,
নাপল তৌনা মতোকফল ত্রিশূল-মরৈ তম্মহুনা
কোয়না চৎপা, নুত্রপা। অল্লাং খোঙদা সুগ্রিব,
নোংশাগুম্না পাঙ্গনবা নোংচুপ খোঙদা রাঘবনা
মায়থোং মক্লু, ওন্থোকই, সীতা কায়নখিহুনা,
থরো খাইনখিবগুম, থরো-পুক্লিং হুবনা!
নুংশিং-নিংথৌ-মপারি হনু, লক্ষ্মন সৌমিত্রী,
চান্নথোইবা বিভীষন চরন থৌগল তৌজরি।
মরোন চামা কোয়খরে, য়েরুবগী তেঙ্গোন্না,
সনা-লঙ্কা-লৈবাক্তো. (শুকপা বনগী মনুংদা
শাতানবশিং তিন্দুনা, কৈরাং চেৎনা থাবগুম,
শক্লা মিৎপু পেহ্লনবী নোংশা অমোম, চণ্ডিগুম
পাঙ্গল ঙক্লা কল্লবী। লমদম কয়া থাপুনা
রনক্ষেত্র লৈবদো রক্ষঃপতি মিৎয়েং তাই।)
লমচুই কাংবু, তাঙবাশিং, লাংজা লাবা-অমোম্বশিং,
মীশা চাবা কাংলুপ্পা, লাউনা খোংনা হয়াউনা,

কোয়না চংলি, পাইরিয়ে। পাইবা য়াওরি, তোঙবা য়াংই.
চিক্রুবস্থু য়াওরকই: পোক্লশক অমা মুন্নবা
শারুংতনা ফুতুনা থাপ্পা থাপ্পা তাস্থারে:
হরাও হরাও ওংদুনা অরাম-মৈচাক যোক্লরে,
ঈথেং থকই কনানা। শুক্লা চাউবা শাগুশিং
তুম্বক তুম্বক তারিয়ে; সেম্বাং-পাইবা শগেনশিং,
ওঃ লেপখ্রে হৌজিক্তি! মশিং লাকউনখিদ্রবা
মাহুত, দোলাই অতেকপা, শগোল তোংবা, তাশুনা,
পুলপ পুলপ, রথীশিং, খোংমী-লাননী অথোবা,
ওন্না থোইনা তারিয়ে! রামফক-ফুরিং ঙাল্লিয়ে.
থাঙ্. চুঙ্গোয়, লিরুংশিং, হুম্নখুলাই, তেন্দোংশিং,
তেন, য়োংশুক, শিংজংমা, মফম মফম খুদিংদা;
মণিতনা শারবা লুহুপ কোকথোল খিবিকস্থু,
অকনবগী লৈতেংস্থু, ইরং ইরং লংলবা।
ঘন্ত্র ময়াম মরক্তা যন্ত্র-শুবা তারিয়ে।
সনা-ফীরান খুত্তা পায় ফীরান পায়বা তুরিয়ে,
চৈফ্'কনবা ফংদুনা। অব্রাবনি, অরাবা,
খোইঙাংশাবা ফৌপানবু লৌউবনা খাওদুনা
লৌবুক'য়ায়দা তাবগুম, হিংচা-মপৈ তুরিয়ে.
অঙান--শগে—অঙানবা, তেম্না, পাখো রংঘবকী
বীর' বাহু তুরিয়ে, পাথৌ--কোকথক—মনিদো,
য়েক্লবশিং নন্দুনা টোংকচ্চ গরুড়না
হিরম্বীগী তম্পাক্তা চেৎনা চান্না যোকখবা;
লামকম 'য়ায়দা তুবগুম, কালপৃষ্ঠ-খুৎশুবা,
কৌরব-চানবা কর্ণনা কৌরবশিংবু কন্নবা
একাঘ্নীবু কাপ্পদা, শোরারেম্না পিরকপা।

পুক্লিং য়াম্না ৱারগা রাবন নিংথৌ হায়রকই ;
"মুংশিথোইবা ইবুঙো ঙসি মংগী য়াহিপসি
পাথৌশিংনা পায়রেদো, মতম লৈবা খিৱিক্তা।
য়েক্লবশিং পাঙ্গনা লান্দা নোইহৎলমহুনা,
পোকক্নম লমদম ঙাকপদা শিবা কনা কিমগে ?
অপাংবনা কিবনি, কল্লকইদা মপাঙ্গো ! '
পারি, তুবু, থমোইদো, অপাংবনা থুঙ্কংপা,
লৈরাংগুম্না থোকপনি। বজ্রসিনা থাবদা,
মাহাক কয়া য়ারিবা, খঙবা নিপা অতুদি
পুক্লিং হোনা খঙবসি ; 'ঐদি হায়বা ঙমজদ্রে।
হে বিধি ! তাইবংসি নগী লৌনশিংনিঙ্গো ; —
মীগী য়াবা উরপা মুংঙাইবোকোই নহাক্তি ?
মচা য়াবা উরগা মপা য়াবা মশিন্নি —
তাইবংপোকপা নহাক্কী নচং অসি ওইরকো ?
বীরবাহু ইবুঙো ! পাথৌ-নো-শা-পালমবা !
নহাক লৈত্রবসিদ। করম তৌনা হিংশিগে ?"

তেংথারগা অসুম্না হিংলবগী মবুংঙো,
সৈনা মিংয়েং লৈরকই, থাপ্পা উরে সমুদ্র —
ঙাকিয়োং লৈনফম। লৈচিল পারেং লৈবগুম
লেংবা চৎপা লৈতনা, চেংনা কন্না ফাদুনা
থোহু ময়াম তাউরিয়ে। মাকল পাংমা অমিল্ল
কোঙ্গোল থাংবা ঈথক্লা মতোক প্রানব লিজাউগুম
লাউনা খোংনা য়াংখংলি, অতং অখম লৈতনা।
ওইথোক্কবা থোংশানি; সড়কুম্না পাকপনি।
নোংজুথাগী মতমদা খোংলম ঈনবা লাইজগুম

খো না লাউনা চৌল্লিয়, ঈশিং ঈচেল লোয়নবা।

নাপল য়াংনা কাখ্রবা, পাথৌ, রাবন, অথোইবা
সমুদ্র মায়গী য়েংদুনা হায়থরকই-পাঙ্গনবা ; —
ফজরবা ল্লৈপরেং নঙশমদা শিরেদা,
হে প্রচেতঃ! তোল্লিদা, তোল্লিদকো হে বরুন!
মাসি ফজরিবরা, লানথুম-লাকওমজনি
নংদি? য়াইফু, অসিনা নংগী লৈতেং ওইবরা?
কশিগুম্বা য়াম্বমা, হায়রু তাসি, অচৌবা,
কশিগুম্বা লৈতুনা নংবু মীনাই ওইহল্লি?
শিং কনবা লাখিনৈ; মহাকুম্না অকিবা
পাঙ্গল নংগী ওইরিদো! করি পাপনা, অদুদি,
য়োংহিং অসি থাংলিবা? যাদু হৈবা মীশিংনা
শান্নে শওম তোল্লবা, মখোং য়োংহিং থাদুনা;
নোংশা-নিংথৌ-মখোংবু উচেক লনা ফারুবা
কনা মতিক লৈবগে? লঙ্কা সমা লৈবাকসি
নথবাক্তা ভাল্লিমে, শংবান-সাইজা-মবুংগো!
শ্রীকৃষ্ণগী থবাক্তা কৌস্তুভ-রতন লৈবগুম,
করিননো চান্দবা হৌজিক নংনা মাহাকপু?
করি তৌরি হে বরুন! হোরো পাথৌ-পাঙ্গম্না;
পল অসি থুগাইরো, মিংচংথিবা কোকহল্লো;
মৈচাক অসি কোক্রো, তমথিরবা য়েরুবা
লাইজমুংদা নমদুনা, লৈথা লাম্বা ফংদবা।
অসিগুম্বা মায়হিংসে নরাইবক্তা থমগন্নু,
নংখোং থম্বাল অনিদা এনা হায়জে, বারিন্দ্র!"

রাহৈ অসি হায়রগা রাবণ কৌবা নিংথৌরেল
অমুক হন্না সভাদা সিংহাসন্দা লেংশিল্লে ;
লানন-শায়ন—রাবনা য়ারা-খোল্লেন খোকখিল্রে ;
পাত্র-মিত্র, সভাসদ ইকোয় কোয়না থৌগল্লি,
ওন্থোকপনি রাবনা চিন্দা খোল্লেন খোকখিল্রে ;
মতম তাঙ্গা অসিদা কপ্পা-খোল্লেন অমেংবা
মায়গৈ মরি নিনখরে খঙহৌদনা, ত্তিনখরে
শরিকমচা, নূপুরধ্বনি — কিনি কিনি মাহুগা ।
মনা মানবী সখীগা রাজসভা চনশিন্না
চিত্রাঙ্গদা চংলকই । ওন্থোকপনি শমজিদা
ইফা ফনা খোকখরে । কাজেং লৈতে লৈতরু,
নিংথম থাগী মতমদা লৈরাংলৈ-লৈতবা
উমং লৈতেং-টরিংগুম । অহি-লিক্লা-পক্রবা
থম্বাল-লৈকা-মতৌগুম, মিন্না থম্বাল অনিদা
তরংলাইচা চেল্লিয়ে ! বীরবাহু তুবদা
অরাবনা থুমল্লাংল্র, চিত্রাঙ্গদা রাণীদা—
মুক্তা-পোশ্বী-মতৌনি, অমুবা লিন্না মহুমদা
মচাশিবু য়োংপদা ! রজ সভা ময়ায়দা
নোং নুংশিং তোরক্লে ! নুপীশিনা নোংথাংগুম
মাগৈ মরি ঙাল্লক্লে ; শমজি থোকপা শম্লাংনা
নোং মপৈ ওইরিয়ে; নুংশা ফুয়না হোনবমা
প্রলয়—নুংশিং শিংথারে ; পিগী ধারা অহুনা
নোং-মরী পান্দয়ে ; হায় হায় খোল্লেন্না
নোং-খাকপা ওইরিয়ে : লঙ্কাপতি ঙকখরে
সিংহাসন্দা ফমহুনা । মীনই নুপীশিংহুনা
খুদাং-পিফম-তৈহুনা চামর থাপ্পা লংথোক্লে :

শেকপিল-খানবা কপখরে, শেকপিল পায়বা লংখোলে ;
খোঙ্‌ শঙ্‌বা নিপাশিং গ্যুক্লিংবানা শাউদ্রুনা,
হন্নোই-ফুজু-থাংশাংদো মখুমদগী শল্তোকই,
পাত্র-মিত্র, সভাসদ পুক্লিং লৈতাখিদরে,
মীপুম-থীনা লাউ-খোংনা মমিং মণি তাখরে।

ঙাইহাক পুংজা লৈরগা চিত্রাঙ্গদা সতীনা
মপুরোয়বা য়েংদুনা খোন্জেন মেংনা হঙ্গংলি ;—
"মণি অমা পিবিরে, বিধি থৌজাল হৈবনা,
তোল্লবিনি খন্দুনা ঙাকপিনবা শিন্নজে
ইবুংঙোগী নখুত্তা, হিংচা শাগৈ-য়াইওইবা,
উথুমনুংদা উচেক্লা মচা চেন্না লিবগুম।
অল্লা-নিংথৌ ঙাকপিরো মাতু কৈদা থম্বিরি?
কদ্যাই চৎখ্রে ঐহাক্কী মণি মমল নাইদবা?
লায়রবগী মরনবু ঙাকপা নিংথৌ ধর্মনি;
নিংথৌশিংগী মবুংঙো, করম তোনা থাম্বিরি
ঐগী ইরল অত্তবু? ঐদি লায়রবীনিদো।

পাঙ্গল ফবা দশানন চিঙ্গোই মপাও খুমকই ;—
"অরেম্বদা, মুংশিবী, অরা পিরে ঐঙোন্দা?
গ্রহ-দোষ লৈববু কনা তাখিনবগে?
ওন্থোকপনি, ঐহাকসু, থোয়বী, লায়না তঙ্গনা
অরাবসি থাংলিদো! পাথো-মচা-য়োকচবী
সনা লঙ্কা লৈবাকসি, হৌজিক পাথৌ লৈখিত্রে,
ওলাংথাগী মতমদা বন্দা উহৈ লৈতবা,
ফুরেল-লায়জা কংবগুম। শংবা, মানা-থাবগী

মনা লোদা চ.লগা, মনা তুম্না শেগায়বা
অতুগুন্না সীতানাথ, লঙ্কা তুম্না মাঙকল্লে !
থামনা হায়বা য়াহুনা সমুদ্রনা মশানা,
য়োংহিং-ফলাং থাংজরে ! মুপী. ন দি ৱারিদো
নচা অম্না শিবনী ! অহং ভুংথিল রাবনা,
ইচা চানা শিবনী ঐদি থংমোই কায়খরে !
হয় রোদেবি, উম.দা, শফুকনবা মুংশিংনা
তেরা-কুয়োম থুগাইব, তেরা পাইখোকখিবগুম
অমুক চাউবা শাগেগী মকোক মকোক ওইরবা
ওন্না ভুবে হি চাবা, মণ্ডন-লানফম অসিদা।
বিবি মখুং তিংখোকে ঐগী লঙ্কা মাঙনবা।"

ভুমিন নৈং খ্রে রক্ষ.নাথ; রানা মাইথোং লুক্ত না
থাজ-মানবী গন্ধর্বী, চিত্রাঙ্গদা কপ্রিয়ে—
ওন্থোকপনি শুমাংগ্রে মঙ্গাইবুংডা থনবদা
অমুক হন্না হায়বচই দাশরথি-যেরুবা:—
"অসুম তেন বথ্রসি, দেবি, ফজবিদরা ?
লৈবাক-য়ন্না হাংনুনা লমদা নঙ্গাইবুংডা
ম্ববগদা চংথরে: পাখো-পোকপী-মনানি;
অকল-হথো-থবক্তা থন্নাই মাঙবা নচানী
কপ্পা হৌনববদ. ? নপাবি পঙ্গল উবদা
ওসি ঐগী শাগেসি তাইবংপান্দা ওাল্লদো
করি কপ্লি অতুদা, ইন্দুমুখি, নহাক্লা,
মিস্ন-থম্বাল অনিদা তরং-লাইগ্না শিঙ্খনা ?"

দেবী নিত্ত যজবী, চিঙ্গোই মপাউ খুম্নকই;—

"লৈবাক-য়েক্লা হাংপশিং শুভঙ্গনদা পোকপনি,
লান্দা মায়োক য়াতুনা; য়াইকৈ হায়বা য়ানিঙি
পাথৌ-লৈরাং-পোকপীশিং লুইবক ষবা অসুম্বা।
খনবিখোদা ইবুঙ্গৌ, অযোধ্যানা কদোমদা,
সনা লঙ্কা কদাইদা? হায়, করি মরম্না,
নিংথৌ, কবি পামতুনা, রাঘব সিদা লাকইবা?
ইন্দ্রমক্না পাম্লিবা লঙ্ক সনা লৈবাকনি,
মপা লৈতে পৃথিদা; মাগী মায়াগ মারদা
লুপা-চেকপল মখোগুম সমুদ্রনা ভান্তোইরি।
সরযূগী মপান্দা লৈ তাঁরনা ঙাক্তেদা
নীচম অদো। পামতুনা লঙ্কা-সনা-সিংহাসন
দশরথ-মপারি, লান তৌনা লোকপরা?
মথিক নেম্না কননা থা কনী তানবগে?
করিদমক নাংগা কপু লৈবাক-য়েক্ল-শী চলা
হায় তাসি পাঙনবা; ভাংজ্জা নবাই লুকপনি;
মাবু হেক্তা কুমদা কনাংম্না অমনা,
তাংজা মাভোক ফল্লকই, অন্নবু চেকথোকই।
লাঙ্কাসিদা কনানা মাঙেন-থাদ্বী থাবগে?
ওন্থোকপনি, ইবুংঙো, তৌজরুবা কম্মনা
হিংচাবশিং রাহস্লে, নরনাইস্থু রাজ্জরে।"

রাহৈ অসি হায়রগা বীরবংশ পোকাবী
চিত্রাঙ্গদা কপতুনা লোয়নবীগা লোয়নমা
লৈমকোন্দা লেংশিনখ্রে। শাউনা, রানা রাবণনা
থাদোক্লুনা সিংহাসন, চংলতুনা হৌগংলি।
"হৌজিক মতম অসিদা" (হায়রক্রদো নিংথৌনা)

"পাথো লৈত্রে লঙ্কাসে! মাউন লানকম অসিদা
অমুক কনা থাগনি? ঐমক্তা চংলগে।
থোরা তোবো পাথৌশা লঙ্কা-দৈতে এত্তাবব!
যেংশি কবি তৌচবা, রঘুকুলমণিনা!
রাবণ নত্ত্রে রাম, ভগি রাইবপান্দা লৈবরোই।"

নিকষাগী মপাব, পাথো নাংশা পান্দম্বা,
যাথং অসি পিবদা, সঙ মাংদা দুন্দুভি
নোংথক্কুন হৈক্রা [illegible] বিবা খোঙ্গুল তাবদা,
মচাবশিং লৈতে [illegible] পাথৌ-মযাই কাহ্নুনা,
মী-লাই-কিনবা, দৈত্যরা রানবা।
স্বু-শরূপ চেম্মাকষ্ট (ঈশি উ[illegible]ল পান্দমগুম
লাকউচন্দ্রা পঙন্দ) কম্ব[illegible]শাম্ম শঙদগী:
মৈক [illegible]না শাংগরা শয়নদগী থোবরক,
শাউনা যাচল [illegible]। [illegible]-[illegible]
সহ্র ইন্দান ডাঙ্গী, যাউনা ম্মাঙনা থোংচাকই।
খোঙলা লাংমা [illegible] মনা-কোয়েং বোক্তা যেং,
[illegible] থাংখুন মঙ্গদা থাইরা থাশা হাপচিনব,
[illegible] শউন পাশিনবা, লন্দ ককপা উমদবা,
খুলা তশোন মতৌহুন লৈচিন খেংপা শালপাম্বী,
যেংকা রাক্ষক লিংলিবা, লাক্রে পাবং শাহ্নুনা।
মাতম লাক্রে, লৈচিন্দা বজ্র-[illegible]বা মতৌঙুম,
শাগোল তোবা লক্ষ্মীস্ত অশ্বিনীকুমার মতৌনি,
ভুমখুংলাই অকিবা, তাইবং-মাঙবা শীঙংপন,—
অতিযাদা হাইগংখ্রে, মঙল উত্ত [illegible]লদা
লনচাউ-খোননা-থম্বাগুন [illegible] পায়!

ফীরান পায়বা পাঙ্গনবা, থোইবা ফীরান তিংথোকই
মণিমুক্তা য়েক-খাৎপা, মশা তিংন্না গরুড়
অতিয়াদা পাইখুম। মানগী পুংজাও দ্রং দ্রং
নূম্না হৌবা মখোন্না মায়গী মরি থিল্লক্লে।
শগোল ময়াম থেক্লকই হরাও, শামু খাক্লকই,
মোইবুং হৌনা থোক্লকই; থাঙগী ক্রেক ক্রেক লোয়ননা
লিকং থিঙবা মখোন্না, নিন্নথিবা খোঞ্জেন্না
নাকোং চসি য়ৈশিল্লে, রাঙাং খোঞ্জেন তাখিদ্রে।

সনা-লঙ্কা নিকখরে, পুরৌ-খোঙনেংনবদা;—
শাউনা ঙালে সংদ্রে! লাইজম্নংদা, অতুদা,
সনা-থম্বাল লৈকোন্দা, পোহাল খুদা ফমহুনা,
বরুণনী শকপেনবী মুক্তা-শমথেং হাপ্পুনা
শমজি কেনা পুল্লিখি ইনিল অতু চখরে;
ইঙক ঙক্রা, ইবেম্মা; মায়গী মরি য়েংলকই।
থাজমানবী যজবা যারা খোঞ্জেন লুশিনা
মতা কোনা হায়বকই;— "চান্নথোইবী কবিনো
হায়ু তাসে মুবলা! লাইজানিংথৌ লাতকপা,
ঙসি ইখঙ খঙদনা, পাশ খুংগু ওইরিবা?
মমগী মতেন মুক্তাসে, যেঙু থুক থুক নিক্রিয়ে।
অমুক হন্না লাক্রবাই, ফংখিদ্রবা মালবা,
ঈথকশিগা লননতৌবা। লুশিং নিংথৌ তৌল্লিদা!
ইস, করন কাউবিবা মতম অমুক কুইদনা,
মলবনা রাশক্রো? শোবারেনগী সভাদা
লুশিংশিস্থ মহাকম্ব ঐনা ফাগে তৌকরে,
য়োংচি-ফমা চন্দুনা, কেশুন-শাদা থম্নবা।

হায়খি ফুংশিং-নিংথৌনা নোক্না নোক্না, চান্নবি!—
"য়াথং পিন্নু. ইবেম্মা, তাইবংপান্দ লৈরিবী,
নংগী ননাই ওইরিবী, ঈশিং লূবী তুরেনশিং,
ননাই ঐগা লোয়ননা শান্নজাগে তম্মুনা,—
য়াথং অসি পিরবা. থোইবি, য়াথং লাকচনি;"—
ত্রৌনা য়াংখ্র অদুদা চান্নথাইবী। করিগী
ওসি অমুক লাক্লিবা অন্না পিরি ঐহাকপু?"—

চান্নথাইবী মতমা ব্রাম্না লাউমা খুম্মকই;—
অবেম্বদা, পুবেনবি, হায়হংপিরে ফুংশিংপু।
ফুংশিং-কনবা লম্হেদা; রাবণনদি থৌরাঙিঙ,
ফুংশিং-কনবা পান্দনঙুম সনা ফম্বা লৈবাক্তা
রামগী পাংথৌ-নাপালো ঋৈথনবা লাকমদা।"
অমুক হন্না হায়রকই ঈশিং-নিংথৌ-চান্নবী;—
"চান্নথাইখি, চুপ্পিনা, সীতা মগুংলান্দগী
রাম রাবন লান্থিনৈ। হি চা-শাগৈ-রাজ-লক্ষ্মী,
ফুংশিথোইবী ইত্থানি; নহাক খুনা চত্তুনা
মাগী মফম য়োৌকাম্লো, লানবাউ য়াম্না তানিংলে।
সনা-থম্বাল অসিনা কমলাদা পিরম্মু।
থাজমানবী লক্ষ্মীমা, মাগী চরন ঙাংঙুনা
খোংদারম্বা মফমদা, পদ্মাসনদা ফমদুনা,
লৈরাং অসি শাংপনি হায়্যু, সখি, মহাক্না
ঈচাও সঙ্গাই মমহন্না, সঙ্গাই মায়গৈ পাংখিদৈ।"
বারুণী-য়াথং পুহুনা, মুরলা সখী কারক্লে,
লাইঙাং-লৈবাক থাহুনা, লাংতক্নবী ঙাহোৌনা
লুপা ওম্বা কুচুহু হুমিং-মাংদা লেম্নবা

কারকপগুম, মুংঙাইবি। য়োরে তুত্তী লক্কাদা
কমলাগী লাইশংদা, সনা—থম্বাল-তাংবন্দা
থম্বাল মানবী, ফম্লিবা, কেশব-থরাই-কংলবী।
থোংদা ঙাইহাক লেপ্পুনা, সখী মমিং পোঙ্গারে
কাম-তুম্বা-তুঙ্খাংপা। নিঙ্থিজবী শক্তমদো
মমাঙ্ থানা য়েংহনম। বসন্ত মুংশিং থোগল্লি —
মহৌশাগী থোয়নবী — দেবী-মখোঙ্-থম্বালগী
লৈরিক অত্থু পামহনা, উরু লাউনা। লৈরাংনা
মায়গৈ মরি ঙাল্লিয়ে, কুবেরগী লঙ্গৈদা
মণি মপৈ লৈবগুম। সনাগী ধূপ-কম্বীদা
কয়া কয়া থারিবা, গন্ধরস, অগুরু,
মনমতনা লাইশংদো মুংঙাই-ঈথক হৌহম্না
সনা-সেম্প্লাক পরেঙ্লৈ, পোংলম লথা লিংশংগী
খুদোল হাপ্পুনা। সনা-থাউমৈ ময়াম্না
মুঙ্শি-থাউনা থল্লবা ঙাল্লি, মঙাল শিখর,
পুংবা-ফবা থাবন্দা তন্দল মৈঙাল মজোংগুম!
থাজমানবী ইন্দিরা, রানা, মায়থোং লৈংখংরা
ফম্বিরিয়ে, অথোইবী, ফম্বিবগুম, বিজয়া —
দশমীদা উমানা, খাইনমৈচাক পুতুনা,
ইমুঙ্শোরা তৈনবা, বাঙ্গালীগী ময়ুমদা,
চেংলৌথাজা মাল্লবী! চুবা খুংনা শোহনা
ফম্লি দেবী কমলা, মতিক মঙাল চাউরবী —
থম্বাল-তাংবল মথক্তা; অসুম্বা থগোই-লৈরবদা
অরাবনা, দেবীগী, চঙ্লবরা করিনো?

নিঙ্থিজবী মুমলা ঙপ্পা মন্দির চেঙ্লকই;

চঙলকুনা তুত্তীনা, কমলাগী চরণদা,
লৈমায় পক্পা থুরুমদৈ। রুম মঙ্গল পিহুনা —
হিংচা-শাগৈ-রাক্ষলক্ষ্মী চিঙ্গোই য়াংঙ পিরকই :—
"করি মরম লৈহুনা হায়ু ঙসি মুরলা,
নংনা সিদা লাকইবা ? ইশিং কাঙবু-মংবম্মা
থোইবী, কৈদা লৈরিবা, চাম্মা থোইবী ইত্তাদো ?
মতম লৈবখিবিক্তা ঐদি মাবু খল্লিয়্ল।
মাগী য়ুমদা লৈরিঙৈ ঐবু কয়া চানবিবা,
ঐনা কাউবা য়াবরা মাহু করিগুম্নদা ?
কমলানা লৈনিংবা মফম হরি-থবাক্ক ;
হাংখ্রবদা হরিহু ইন্দিরনা হিংহৌই
বরুনাগী ইত্তাগী মুংশি-হিদাক-গুণতনা।
নঙখিজনা লৈরিকো, হায়ু, ঐগী চান্নবী
ঈচাউ-নিংবী সখীদো ?" মুরলানা খুমলকই ;—

"অম্ম অনা লৈত্তনা বরুণ চান্নথোইবীদো
লাইজমুংদ্গা লৈবিরি। সীতা মশুংলান্দগী
রাম রাবণ য়েক্নবা, লানগী পাওহু ইবেম্মা,
তানিংমাল্লে সত্তীনা। থম্বাল অসি, পান্থোক্ইরি,
ঙাংঙানবা চরণন হুঙাই-খোঙদাবিরম্বা
মফমহুদা শাংপাম ; পাশী-মুংশি-কংপীনা
খুদল অসি কুংলকই, ইবেম্মগী চরণদা।"

রানা মুংশা ফংইহনা কমলানা হায়রকই,
বৈকুণ্ঠগী থা-মচাম ;— "ওম্থোকপনি চান্নবি,
পুষ্কচেল থীবা রাবণসে নোংমা নেন শোত্থরে,

শকুচনবা ঈ:পান্না সমুদ্র-চং:ঙো ভাবশুম।
না:কোং লৈচং তারগা ন'ঙ্গু খোয়:নৌ ঙক্ নি।
কুম্ভকর্ণ পাঙনবা. শাঙ:শাদা অকিবা,
লান্দা তপ্পা. নিকত্তবা, পৃথিগুপ্তা, ভুখরে,
দোলাট্টৈ-সাঙ্কে-চং:খোনবা, অতিকায়গা লোয়নন'।
অ্যাত্ত হিংগা করাম্ব ঐদি শী:থা ঙমজ্রে।
বীরবাহু ভুখরে, পা:থো কোকথক মণি:দা!
হে থাবগী খোঁ:ঙেকস তারি:নিন' মুরলা!
পারি-খাইন-ম্নাবনা শুম্বাংথ্রবী গন্ধর্ব্বী —
চিত্রাঙ্গাদা কপ্পি:য়; লৈম:কোন্দা নিংথৌগী।
লক্ষ' থা:দোকনি:বনা পুক্নি' লাংতক্ক্রেদা।
ঐগী খ:মোই কাইপরে. অহিং শুংথিল নাইদবা
চুপ্পা-:তেংথা ভাবদা! য়ুম খুদিং কপথরে
মচ' শিব' মমান:, লুপ্পা ঙক্ষী সত্তীনা।”

মুরলানা হ'লকই;— হায়, তাসি, থোইবেনবি,
পা:থো কনা ঙসিমুক লানথৗদমক থৌরাংঙি,
পা:থো-নাপল পুত্থন'?” খুম্মি মাধব-মনাইনা;—
“খঙ্:দ্র কনা থৌরাংঙি, ঙসিগী চংলু মুরলা!
মপান থোক্না য়েংঙসি, লান্দা কনা চংপ:গে।”

কমলো

অসি হায়না রমানা মুরলাগা লোয়ননা,
হিংচা-শাগৈ-নূরাশা, মাখোই অনি থোরক্লে,
কত্রং ফিজেৎ থোরবী। শরিক মচা কিরিং কিঙ্গিং
হুড্ শিরবা থোঙেন্না; খুত্তা খুজি নিংখিরি,
মিংপেনবা খাঙ্গোয়না চেংবা থাংদা ফজরি।

লাইশং-থোঙদা লেপ্পুমা মাখোই অনি য়েংলকই,
পারেং পারেং লান্মীশিং সনা লমদা চৎলিয়ে,
মুংশিং-শঙ্খ ফংহুনা সমুদ্রগী ঈথকুম,
থুনা য়াংনা। চেল্লিয়ে, দোলাই, কাংখোঙ ওন্দুনা
গর-গর। থৌরিয়ে, শগোল মুংশিং প্যান্দমগুম।
খোঙথাং খোঙথাং খুদিংদা পৃথি থ্রুক থ্রুক নিকহন্না
শামু চংলি, হায়হুনা নাতোল, যমগী মতোগুম
কালদণ্ড। যন্ত্রশিং, খোঙেন লুম্না য়ৈরিয়ে।
মণিমুক্তা য়েকখোৎপা মশেক মঙাল তিল্লবা
ফীরাণ চায়া পাইরিয়ে। সনা-দলাল-মিহুত্রা
লাক-য়েত্রা লেপ্পুনা, লঙ্কা-তাইবং-শুঙ্কাৎপী
মোগী কাম্বু তিন্দুনা লৈলী নোংবু চুহল্লে,
মঙ্গল ধ্বনি তৌহুনা। মুরলানা হঙ্কচৈ,
কেশব-থবাক-লৈনিংবী-নাইখোং-থাজ্রা য়ে হুনা ;—

"লাইরৈবাক্কী ঐশ্বর্য্য ঙসিতদি উজরে.
দেব্রি, তাইবং অসিদা! লাইগী নিংথৌ, থল্লকই,
শোরারেন্না মশামক লাই-অকল-অথোগা
লোইনহুনা চংকগুম, সনা-লঙ্কা-লৈবাক্তা।
থোজাল হৈবি! হায়বিয়ু, চানাংহুনা তাকপিয়ু,
রথী করম করম্বা লানগীদমক থৌরাঙিঙ,
পাথৌ-ময়াই-কাহুনা, তাজনিংঙি ননাইনা।

মেখমী
মিন্না-থম্বাল-মাল্লবী বুমা সতী হায়রকই ;—
"ওন্থোকপনি লঙ্কাসে, সখি, পাথৌ লৈতরে!
মী-লাই-কিনবা, দৈত্যমক্না খিনবা,

মহারথী কাঙ্‌বুগী অথোইবসিং লৈরম্বা
ইতুম তুমখ্রে, হবেম্মা, ওমনারাবা লানসিদা।
রঘুমণি পায়খিবোই লিরুং মতম ফবদা!
উইদনা রথীসে, মত্তোন-সনা-দোপাইদা,
শকওং মিত্তা বিরবা হিংচাবগী মপুবু;
য়োংকী লিরুং পায়রিবা, লন্দা লাকওমখিব্রবা
য়েংঙ্‌ কালনেমিসে, শামু-থক্তা, পাঙ্গনবা,
পাথৌ অসে পাঙ্গন্দা তাখি-কাঙ্‌বু-যমনি,
হুন্নখুংলাই খুংশূবা! য়েঙ্‌ শগাল তোংবাসে'
কোনা পাম্বী মাল্লিবা, কৌনা ফৈবোম তারিবা,
গদা পায়বা, মতৌগুম গদা পায়বা মুরারি!
লানগী ময়াই কারবা, থবাক নুংগুম কল্লবা,
ময়াই থোইনা কারবা, য়েংউ, হিংচা অকিবা!
অতৈ অতৈ আসিগুম্ব অমুক করি হায়গনি?
অকল-অথৌ চাশীদা শিখরেদা লানসিদা
শুকপা বনগী মসুংদা থাম্বী-লৈনা, অগ্নাংবা
উজ্রাউ পরেং চাকতুনা উং ওইনা মাঙ্‌হনবা
লমজাউ থেনিবা লম্মেদা অচু-মত্তৌ ওইথরে।"

হংলৈ দূতী মুরলা;— "হায় লাই অথোইবি!
করিননো উদবা ইন্দ্রজম্বা মেঘনাদ —
হিংচা—শাগে—শানিথৌ, লানসিদা রথীদো?
পাঙ্গনবদো তুখ্রবা সতি, মাঙ্‌ন-লানফমদা?"

চিঙ্গোই পাউথুম পিরকই মীনোক ফবী লক্ষ্মীনা;—
"কোয়রমগমি যুবরাজ মুংঙাই-লৈকোন মসুংদা,

হয়াংকুমৈ তেৎহুনা, খঙ্চহুনা লানফমদা
বীরবাহু তুবসে; হেলো নহাক মুরলা!
বারুণীগী মনাক্তা 'সনা-লঙ্কা থাহুনা
থুনা-য়াওনা ঐহাক্তি বৈকুণ্ঠদা চৎলনি'
ব্রাহৈ 'মসি হঙ্গৎলু চাম্নথোইবী ইত্তাদা।
নিংথৌ ভঙ্ক'-লৈমপু ময়াম্ভনা ব্রাজরে।
ঈশিং লূবা পুখ্রিদো ঈপাম্বাদা নৈবগুম
পৃথি-লৈখোম থোক্তুনা, পাপনা থনখ্রে লঙ্কাসে!
ঝরম তেৎনা লৈগনি ঐনা মফম অসিদা?
চৎলো, সখি! কম্নে বারুণীগী মনাক্তা,
পোচাল খুদা ফম্নবা মণি-পূমহৈ-সঙ্গাইদা।
চৎলে ঐস্নু, পুরক্কে ইন্দ্রজিৎপু লঙ্কাদা।
চারসহু মরাইবক থুনা সনা-লঙ্কাদা।"

বিদায় লৌরে দেবীগী থুরুমহুনা চরণদা,
হাক হুতা শকাহনবা মুংশিংলমদা মুবলা,
মালং-চুমথাও খানবগী মণিমখল-মণ্ডানগুম
মিং থক্না মণ্ডান্না ব্রাহাং অমোন নিংথিবী,
পুক্লিং হুবা কুঞ্জদা কোয়না কোয়না পাইবগুম।

সমুদ্র নপাল য়োৎহুনা, শংবান লাইজ্জা মমুংদা
ফজরবী চৎখরে। হরি-নিংবী, অসোমদা,
হিংচা-শাগে-লক্ষ্মাদো, মিস্না থম্বাল, লাপ্পদা,
লাইনিংথোনা খোরবা, পাথো-মণি মেঘনাদ
মকম তানা লেখরে। মালংলম্বী খোঙ্নেংথি।

মতম কয়া লৈরগা হরি-মনাই-মুপীদো থুংবিররে, শক্ফবী ; মতম কুইনা লানথম্বা ইন্দ্রজিৎকী মফমদা। অমরাবতী মতৌনি কোঙ্গুং অদু, মাঙ্গোন্দা সনা-পূমহৈ য়ুম্বী য়ুং মতোন হীরা থাম্লিয়ে ; পুক্লিং হুবা, বণ ময়াম মায়গী মরি ওান্দুনা নন্দন কানন মাল্লিয়ে। কোকিলশিংনা খোংলিয়ে উফৈথক্তা তোংদুনা। খোইমু ময়াম ওংদুনা কোয়না কোয়না পাইরিয়ে ; লৈরাং মপৈ শাংলিয়ে ; উনা ফ্রুং ফ্রুং লাউরিয়ে ; য়েন্নৌ-মুংশিং শিংলিয়ে, ঈঘুং রুয়া শিন্থরি- সনা-সঙ্গাই চংদুনা দেখী মিংয়েং তাবিরে —, সনা-থোঙজিল অদুদা অকি-অখং লৈতবী কিন-শককম মুপীশিং লিরুং খুত্তা পায়দুনা হঙ্গংহন্দা চংলিয়ে। মঙ্গল-চেংন্দাং লোয়ননা শমজি সমৈ হাইরিয়ে। শমজিরক্তা মণিশিং নোংথাং কুপ্পা মাল্লিবা, তেন্দোংনুংগী তেঞ্জেনা মণি-পূমহৈ-লিলওইবা! মকারাম্বা থবাক্তা সনা-লানফী লিংলিবা, ফন্না শাংপা থম্বান্দা নুমিৎ মঙাল য়েঁবগুন। তেন্দোং-তেন্দো থোখরে ; অদুবুম্তু হেনখরে মিংকী তেন্না, নিংথিবা। নোনা মথোক কাবগী মায়াই-দুনা থুম্মংপা, কোয়রি, মখোই পূম্মক, য়েন্নৌ-পাম্বা লাকপদা শামু অমোম মতৌগুম। মখোল থোক্লি খাংঙ্গোইনা লৈতেং-খোঞ্জেন নুংশিনা, মরাং কায়বা নিংদুদা, নূপুরনা চরণদা। বীনা, খোংলে, মুরলী, পুং যৈবে নুংশিনা, খোম্থাং তরেং শুরবী,

ইশৈ ঈথক হৌরক্লে খোঙ্গেনহুগা তিন্দুনা,
মাইগে মরিমক্তগী, পুক্নিং ইনৌ নৌহন্না।
পাথৌ-খোইবা শান্নরি, মুক্তা-থোইবী প্রমদা
লোইনহুনা অহুনা, অহিং-মপু শান্নবা
দক্ষ-মমোমশিংহুগা লোয়নহুনা, নক্রগা
মুমিৎ-লাংলেণ দমুনা! বাগী চিন্দা খোংহুনা,
কগোই খুৎথেক লোয়ননা, কদম'খোঙদা, শনশেনবা,
গোপীশিংগী মরক্তা হরাও হরাও শান্নবা
নিংথিজবা তোর্ব্বন্দা, মতৌ অহু নাল্লিয়ে।

মেঘনাদ-য়োকচবী হিংচাবীনি প্রভাবা।
মাগী মশক লৌহুনা মাধব-মনাই রগানা,
কীক্তৎ মোংনা থুংলরে, খুত্তা চৈত্ত পায়হুনা।
সনা-তাংবল থাদোকই, পাথৌ-হুতোন-শানিংথৌ
ইন্দ্রজিৎনা খুকশিন্ন, য়োকচবীগী চন্দা,
হঙ্গচ্চরে;— "করিগী লেঙবিরকপা ইমানা
ঙসি ননাই ঐগীদা? মঙ্গন পাউবু তম্বিয়
সনা-লঙ্কা কমদৌবি? নচা য়াম্না খোরাংলে।

মংকোক চুপ্পা শকালোংপী সমুদ্রগী মমোয়া,
চিংঙ্গাই মপাউ খুম্নকই;— "ওত্থোপনি! কৈবুংঙো!
কবি অমুক হায়গনি সনা-লঙ্কা-দশাবু!
বীরবাহু পাঙ্গনবা মুংশিক্তপা ননাওদা
কনবা লান্দা তুথরে! পাবি-শেংনা-রাবনা
চিংচা-মপু মমথরে, লাম্মী তেঙ্গাল লোয়ননা
রাবণ নিংথৌ মণানক ঙসি লানগী থৌরাঙলে।"

পাঙ্গোম কনবা ইন্দ্রজিৎ ওকখুহুনা হংলকই ;—
" ভগবতি , করিনো ? হায়রিবসি করিনো ?
নুংশিখ্রবা ইনাওবু কদোওৈদা কনানা
য়াইবী খমমুং তানহনবা ? অহিং লান্দা হাংলম্লে
ঐনা রঘু-অখোইবা ; মতুপ মতুপ কক্লম্লে
য়েক্লবগী মপৈদো , নোংজুখাগী নোংগুম্না
খোবা তেন্না হৈত্নুনা ; অহুমক্তা প্যাউঅসি —
ওইখোক্তবা পাউ অসি , ইমা ! ফংঙুই কদাইদা ?
থুনা য়াংনা তাকপিরো ব্লারম অহু নচাদা।
য়াইফু—য়াইথোই , ফজবী ইন্দিরানা খুম্লকউ ;—
" ওন্থোকপনি ! ইবুংঙো , সাতা-মতৈ মী অাগো
মায়াবীনি ; নহাক্কী তেন্না শিংর হিঙ্গংলে।
নহাক থুনা চৎলোবা ' হিংচা-শাগৈ-মনায়দো
কোকথক-মণি ! ঙাকউরো , মাংনা-লানফম অসিদা।"

পাঙ্গল য়োৌনা কল্লবা মেঘনাদ থদৎলে
লৈরাং-পরেং শাউত্নুনা ; সনা-খুজি লংথোক্লে
থাপ্লা ; খোংগী মনাক্তা ঙাল্লি নাইল তাহুনা ,
অশোক-লৈরাং তাহুনা অশোক-খোংদা ঙানবগুম !
" তোল্লিদা ঐহাক্তি " হায়রে নিংথৌ-মচানা
চিং-লেম্বা খোঞ্জেন্না ;— " তোল্লিদক্কে ঐহাক্তি !
য়েক্লবনা কোয়খিবা সনা লঙ্কা লৈবাক্তি ,
সিদা ঐনা লৈরিবা মুপীশিংগী মরক্তা ?
মাসি ফজবরনে ? দশাননগী মপারি
ইন্দ্রজিৎনি ঐহাক্তি ; থুনা দোলাই পুরকউ ;
য়েক্লবশিং হাংলগে ; অরাবসি কোকহনগে। "

হুমী-মরাক-লুচিংবা পাখৌ-ফীজেৎ লৈতেংলে;
হৈমবতী-মচানা তারক হাংকে থৌরাংবা
পাঙ্গল-থোইবা, নত্রগা বৃহন্নলা শারিবা
কিরীটীনা কন্নবা শন্বী শম্নাউ খিবিকপু
বিরাট-মচা লোয়ননা ক্যামলৈ-পাম্বৈ-মখোঙ্দা
পাংথৌ লৈতেংলকপগুম। লৈচিন-মচু-দোলাইনি;
কাঙ্খোং লোংখাং-মঙাল্লি; ফীরান চুমথাং মতৌনি,
শংগ লং মুংশিং মমাংথাই। দোলাই থক্তা তোংখংলে
পাংথৌ-কোকথক-মণিদো, পাংথৌ-নাপল পুত্থনা,
মনমসিদা ফজবী প্রমিলানা পায়থনা
মপুরোইবা-খুংঅনি (ওল্লোক্লস্থু ফজেদা
সন-উরি য়েৎপগুম উ-শাংগে-মপুদা)
কপ্না হায়জে ইবেম্মা — "কৈদা লেংলে ইবুংঙো,
থরাই-হেন্না-চান্নবা, হুন্দোক্কনা ননাইবু?
উত্রবদা নহাকপু, লাইবক-থীবী ঐহাক্না
মতৌ করম হিংশিগে? ওল্লোকপনি ইবুংঙো
শুকপা বনগী মনুংদা, পুক্লিং-পাম্না ফজবা,
শামু-মখোঙ উরিনা; মাগী হরাও কুমৈদা,
শামু, পুক্লিং তাদনা চৎখ্রবস্থু মহাকপু
শরীশ-পুবা, থম্বিকো চরন-থোঙ্জাল পিথনা।
অথুদবু করিগী গুণনিধি নহাক্না,
ননাই মুপী হুন্দোক্লি, ওসি কোংরো মুমিত্তা?"
নোক্লা খুম্মি মেঘনাদ;— "ইন্দ্রজিৎপু ঙমথনা,
সতি, নংনা পুনথরে, য়াম্না চেৎপা লিপুন্না,
লিপুন অথু থোকউবা কনা মতিক লৈবগে?
ঐহাক থুনা, য়াইফবি! লাকে, নংগী য়াইফনা

রাম লান্দঃ হাংদদুনা গৌতিক বিদায় পিরোনা

মখোল হৌনা মালংদা দোলাই খোইরক পাইরক্লে
সনা-মশা তিংছন্না লৈনাক চিংনা পাইবগুম
মালং ইতাল তাকল্লা। শাউনা শিরি চিংছনা
লিরুং খিন্তিত পাজনবা, পাখৌশিংগী অথোইবা,
উচেক-নিংথৌ খোংবগুম লৈচিনথক্তা কিহন্না।
সনা লঙ্কা নিকখরে, সমুদ্রসু নিকখরে।

রাবণ নিংথৌ থৌরাংতি পাখৌ-ময়াই কাহনা:
লানগী পুঙজাও য়েখংলে, শামু খোংলে;- শগোল্লা
খেক্লে, রথী পদাতিক পুক্রিং শাউনা ঙনরে;
রেশম ফীয়ান পাইরক্লে; অতিয়াদা হাইগংখ্রে
সনা-লৈতেং-মঙান্দো। মকম মতম অদিদা
থুনা য়াংনা য়ৌরক্লে মেঘনাদ ইন্দ্রজিৎ।

পাখৌ-থোইবা উবদা নাপল য়াংনা কাহনা
হিংচাবশিং লাউরক্লে। মজাইবুংঙো খুরুমজে
মপাইবুংঙো চরন্দা, খুবাং তরা লোন্দুনা
হঙ্গচরে;— " লৈমাবা! তাজরক্লে ননাইসু,
শিরমক্তা রামদো অমুক হিংলে হায়বদাই?
ইপা-ইবুংঙো থদঙরে, মায়া অসি ননাইদি!
অতুমকপু ননাইদা সনা-য়াথং পিবিয়ু;
মীসুথাংদো ঙসিদি মক ফংনা নোইহংকে!
কনবা তেনগী মৈচাক্লা উং গুইনা মাঙহনগে,
মাহু লোইনা পাইহনগে মুংশিং তেনবু কপুনা;

[illegible] চনু[illegible] [illegible]
[illegible] মকোক চুপ্পা হৌজিক্তগা
[illegible] হায়[illegible]-মপুনা ;—
মাঙ্‌না-[illegible] অসিদা হন্না হন্না নহাকপু
[illegible] অসি ঐহাক্কী থরাই [illegible] য়ানিংদ্রে।
অরাবনি, [illegible]ধিনা, [illegible] [illegible]ংশিবিখিদ্রে।
কদৌঙৈদা তাখিবা মুংনা তাউবা ইশিংদা,
[illegible]দৌঙৈদা তাখিবা অসিবনা হিংলকপা ?”

পাথৌ-নাপক্ল তৌতুনা হিংচা-তাখি-রেক্কবা হঙ্গচ্চরে ;— “লায়নিংথৌ, করি লৈবা মীঅদো মাবু কিবিকববরা ? ননাই লৈনা লায়নিংথৌ লান্দা সনা-খোঙ্‌লেঙ্‌বা, মরোল অহুম অসিদা মিংচৎথিবা শনখুনি। শোরাবেন্না নোক্কনি ; ‘অগ্নিদেব শাউবনি’ খো ফম অনি ঐহাক্কা মায়থিহল্লে বাঘবপু : অমুক্তগা নচাদা, পাবং, যাথং পিবিখো, চন্দকমুক্তি য়েঙ্‌লসি করি হিদাক থাতুনা পাথৌ অসি হিঙ্গৎপা।”

হিংচা-নিংথৌ হায়ৰকই ,— কুম্ভকর্ণ পাঙ্গল্লি, ঐনা মাবু হৌদোকউত মতম কাষনা কিক্লুনা ; অরাবনি, যেঙদো, মাগী মশা তাবিবা সমুদ্রগী মপান্দা, চিংগী মতোন নত্রগা বজ্রচাবা উপালগুম। ফাব, লান্দা চৎপসি নংগী থরাই য়ংলবা, অঙ্গনবদা ইবংঙো, নিংবা-লাইবু হবাংলু, নিকুম্ভলা যজ্ঞদো লোইথোকউরো, অকনবা! লাঙ্গুং-পুরেন হাল্লিরে। য়েংঙু, চুংথিল মবুংঙো নোংচুপ-চীংয়াঙ্‌ পক্তোরে হৌজিক ; রামগা, ইবুংঙো, অযুক লাম্ফেংনককো।”

রাহৈ অসি হায়তুনা, পথাপ ইন্না নিংথৌনা গঙ্গাজলবু লৌতুনা, মজাইবুংঙো বল্লিল্লে।

খুদক অতুমক্তা বন্দী লৈশিংলৈথোক্লে
বীনা খোংনা মুংঙাইনা ;— ওহে হিংচা-মরেবাক
অৱাবনা তিন্দুনা শমলাং খোকখুদ্রে,
গিত্তা : ঈরা চেম্হরে ! ওস্থোকপনি নহাক্কী
মণি-লূহুপ অতুগা নিংথৌ-ফীজেং-তারেদো
মালেম লৈবাক মথক্তা, হে নিংথৌ ফজবী !
অৱা-কোঙ্গায় থাত্না, সতি হৌৎপিরবানে ;
হিংচা-শাগৈ-মুমিত্তো নোংগোকচদা থোক্লেসে।
ইমুং চাল্লে নহাক্কী অৱানগী অহন্দো।
য়েঙু, বানী, হৌগৎলে, বিবা যনা কল্লবা
ওইগী খুত্তা লিকুসে। নিক-লৌবা খিংদা
বৈজযন্তি কোন্নুংদা ইন্দ্র ত্রহাকেং ত্রাশনবা !
তেন্দোং অসে যেংচানা, পশুপতি-গী হনবা
পাশুপত মহুবা খুংলহৈত্রনা থন্নবা।
গুনচেনবগী দনী মগুন চেনবা অথোৎবা,
পাথৌ-খাইবা-শামিংথৌ, শক্ত মুচা পনা
যেংচু মচনাচবু। মন্দোচবা যাইথৈন,
নিকযাগী মপাবা বক্ষ পাত্ত রাক।
সন-লঙ্কা যাইথৈদা, পাথৌ-যোকপা নত্তি !
অতিযাদা পোকচবা গোন্তা হনবা কাজাবো,
খাই-পূম্বা তিন্দনা খোঙ্গেন রানা শক্তবো
যেক্লওম্বা ইন্দ্রজিৎ লানগী থৌবা তৌখংলে।
রঘুপতি, বিভীষণ, হিংচা-শাগৈ-হামুক্তো
দণ্ডকবনগী অতোনবা থৱাইপানবা পূন্নমক,
লানশাস্তুদা নিকসন্নু, অকিবনা থুম্নবা।
হিংচা-পূজাউ থিল্লক্রে, হিংচাবশিং লাউক্লক্রে,
জয় জয় খোঙ্গেন্না সনা লঙ্কা থনখ্রে।

ইতি শ্রীমেঘনাদ হাৎপা কাব্যদা লাঙ্গিংপুরেন হাপ্পা অহানবা সর্গ।